# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-05-2025)**

**মীসাইল ঃ** পাকিস্তানলোমদগী জম্মু তমা কাপশিল্লকখিবা মীসাইল ৮, ভারতকী ইয়ার দিফেন্স য়ুনিটশিংনা ঙাকথোক্তুনা অশোয় অঙাম থোকহনখিদ্রে।

মীসাইলশিং অদু জম্মু কাশ্মিরগী সটাৱারি, সম্বা, আর.এস.পুরা অমসুং অরনিয়ানচিংবা মফমশিংদা কাপশিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুবু মীৎনা উহৌবশিংনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না মীসাইল এট্টেক অদু ইজরেল হমাসশিংনা কাপশিল্লকপগী মওংদা কাপ্লকখি। পাকিস্তান লান্মী অসি টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন হমাজগী মওংদা থবক তৌরে। মমাং থাদা পাকিস্তাননা খুদুম চল্লিবা কাশ্মিরগী শরুক্তা হমাস অমসুং পাকিস্তানগী আই.এস.আইগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি হায়না পাউ খরনা হায়রি। অন্টরজাতিগী ঙমখৈ পরিংদা জম্মু, পথানকোট অমসুং উধমপুরদা লৈবা মিলিটরি ষ্টেসনশিংদসু পাকিস্তাননা মীসাইল অমদি দ্রোন শিজিন্নদুনা এটেক চত্থরকখি। অদুমওইনমক, অমাং অতা অমত্তা থোকহনবা ঙমখিদ্রে। মখোয়না চত্থরকখিবা এটেক অদু ভারত লান্মীনা ঙাকথোক্তুনা মায় পাকহনখিদ্রে।

ঙাকশেলগী পাউনা হায়-জম্মু কাশ্মিরগী নোংচুপ থংবা মায়কৈদসু মশিং য়াম্লবা দ্রোনশিং পাইশিল্লকখি। অদুমওইনমক, ভারতকী ইয়ার দিফেন্স সিষ্টেমশিংনা ঙাকথোক্তুনা মখোয়গী এটেক অদু মায় পাকহনখিদ্রে। হৌজিক হৌজিক ভারতনা পাকিস্তানগী এটেকশিং ঙাকথোকবা সুদরসন চক্র কৌবা ইয়ার দিফেন্স সিষ্টেম ৪০০ মথৌ তৌরি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-চাউনা অমাং অতা থোক্লকপা য়াবশিংদগী ঙাকথোকবা ওপরেসন সিন্ধুরদা অফবা মখলগী খুৎশু খুৎলায়শিং শিজিন্নরি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা নেসনেল ক্বালিতি কনক্লেপতা ৱা ঙাংবদা শ্রী সিংহনা হায়-ওপরেসন সিন্ধুরদা পাকিস্তান অমসুং পাকিস্তাননা খুদুম চল্লিবা জম্মু কাশ্মিরগী শরুক্তা মশিং য়াম্লবা টেরোরিষ্টশিং হাৎপা ঙমলে। মসিগী মথক্তা পাকিস্তান মনুংদা লৈবা টেরোরিষ্ট কেম্পশিং ভারত লান্মীনা থুগায়দুনা মাঙহনবা হায়বসি লৈবাক অসিগী চাউথোকচনিংঙাইনি। ভারত লান্মীগী হৈ-শিংবা, থৌনা লৈবা অমদি চেকশিন্না থবক তৌদুনা মায় পাকহনবা ঙম্বা অসিগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্লি। ওপরেসন সিন্ধুর অসি মীচম মীয়াম শোকহন্দনা চথ্বা য়ামা অখন্নবা ওপরেসন অমনি।

মহাকা হায়-সরকারনা ভারতকী নীংতম্ববু নীংথিনা ঙাক শেন্নবা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা চপ চানা থবক তৌগনি। অসিগুম্বা খোঙথাংশিং মথৌ তারকপা মতমদা নীংথিনা পায়খৎপা ঙমবা ভারতনা মতম চুপ্পদা শেম শাদুনা লৈ হায়নসু শ্রী সিংহনা ফোংদোক্লি।

ভারতকী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-ভারত পাকিস্তানগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি চাউথোকহনবা পামদে, অদুমওইনমক, মখা তানা পাকিস্তান লান্মীনা এটেক চথ্বরক্লবদি ভারতনসু মতিক চাবা পাউখুম পীগনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং হরানগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: সেয়েদ অবাস অরাগচিগা পুন্না পাঙথোকপা ভারত অমসুং ইরানগী ২০ শুবা জোইন্ট কম্মিসন মীফমদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-পাহলগামদা চথ্বরকখিবা এটেক অদুনা ভারতনা ঙমখৈ লান্না লৈবা টেরোরিষ্টশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং থুগায়খিবনি। মহাকা হায়-শা অরাগচিনা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি নীংথিনা খঙবগা লোয়ননা টেরোরিষ্টশিংগী কা হেন্না থৌওংশিং অসিবু শোয়দনা সমালোচানা তৌগনি হায়না থাজৈ।

মরক অসিদা, ভারতনা খুৎ হনবদগী ককঙাউনরবা পাকিস্তাননা সোসিএল মেদিয়া য়াওনা দিজিটেল প্লেটফোর্মশিংদা অরানবা অমদি য়ুম্ফম য়াওদবা পাউ

কয়া শন্দোরকপা লেপত্রি।

অতোপ্পা লৈবাকশিংদা থোকখিবা মমাংগী অরিবা ভিদিও ফুটেজশিং শিজিন্নদুনা ভারত লান্মীগী ইয়ার দিফেন্স সিষ্টেম অমাং-অতা থোকহল্লে হায়বনচিংবা অরানবা পাউ কয়া লেপ্তুনা শন্দোরক্লি। অসিগুম্ন পাকিস্তানগী থৌওংশিং অসিদগী মীয়ামনা চেকশিন্না লৈননবা হায়রি।

**এটেকঃ** ইন্দিয়ান আর্মদ ফোর্সেসনা ঙরাং পাকিস্তানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা ইয়ার দিফেন্স রাদর অমসুং সিষ্টেমশিং থুগায়খ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-লাহোরদা লৈবা ইয়ার দিফেন্স সিষ্টেম মাঙ তাকহনখ্রে। পাকিস্তাননা তৌরক্লিবা অদুগী চপ চাবা পাউখুম ভারতনা পীবনি। পাকিস্তাননা নোংপোক অমসুং নোংচুপ ভারতকী মফমশিং- অৱনতিপুরা, শ্রীনগর, জম্মু, পথানকোট, অমৃসর, কাপুরথালা, জলান্ধর, লুধিয়ানা, অদামপুর, ভাতিনদা, চান্দিগর, নল, খালোদি, উত্তরলাই অমসুং ভুসতা লৈবা মফমশিংদা দ্রোন অমসুং মীসাইল শিজিন্নদুনা এটেক তৌরকবা হোৎনরকখি। মদুদা ইন্টিগ্রেটেদ কাউন্টর য়ু.এ.এস. গ্রীদ এন্দ ইয়ার দিফেন্স সিষ্টেমনা ঙাকথোক্তুনা অমাং অতা থোকহনখিদবনি।

**পুলিস (এল)** ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা নমদুনা শেম খায়বদা চেন্নবা লালহৌবা ১১ খুৎশু খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে।

রাজ্য পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-সেনাপতি জিলাগী তাফৌ কুকি খুলদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বোল এক্সন সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু টুগী রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা অমসুং নোংমৈ মরু খরা ফাগৎলে।

থৌবাল জিলাগী লমদিং খুমন্থেম লৈকাইদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি. (এম.এফ.এল) গী মীওই মরি ফারে। মখোয় শেল খায়বা, নমদুনা

মী ফাবা অমসুং অতৈ আইননা য়াদবা থবকশিং চথ্থবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, থারতি সিক্স ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ অমা ফংলে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল ইশোক ৱার্ড নম্বর ৱান মমাং লৈকাইদগী ঙরাং কে.সি.পি. (নোয়োন-এম.এফ.এল) গী মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

থৌবাল জিলাগী লিলোং থোং মনাক্তগী য়ু.এন.এল.এফ (পি) গী মীওই অহুম ফারে। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন অহুম, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফংলে। মখোয়না লমফেলকী রিমস কমপ্লেক্সতগী মীওই অমা শেলগী দাবীদা ফাজিল্লম্বদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা কনবা ঙমখ্রে।

খুম্মন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগীসু ঙরাং পুলিসনা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফারে। ইম্ফাল ৱেষ্টতগীসু ঙরাং কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাখি।

নিংথৌখোং খা কৈরুংবা লৈকাইদগীসু কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফারে। ইম্ফাল ইষ্টকী নোংদ্রেন মনিং লৈকাইদগীসু কে.সি.পি. (নোয়োন) গী মীওই অমা ফারে।

অমরোমদা, রাজ্য পুলিসনা হুরানখিবা অমদি লাকখিবা গাড়িশিং ফাগৎনবা চথ্থবা মখা তাবা দ্রাইবতা গাড়ি অহুম ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

**সরফঃ** চহি ১৯ মখাগী সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫, ঙসিদগী অরুনাচল প্রদেসকী পাপুম-পারে জিলাগী য়ুপিয়াদা পাঙথোক্লগনি।

মসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাক তরুকা শরুক য়াগনি। চেম্পিয়নসিপ অসি থা অসিগী ১৮ দা লোয়শিনগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা ওপরেসন সিন্ধুরদা টেরোরিষ্ট ১০০ হাৎপা ঙমখ্রে হায়না সেন্টরনা ফোংদোকখিবা, জষ্টিস সিদার্থ মৃদুলনা মনিপুরগী ইরাংগী মতাংদা ফোংদোকখিবা অমসুং রিমসকী মহৈরোইশিংগী খোঙজংগী পাউ তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

পোকফম পাউচেদা-পাকিস্তানগী এটেক মায় পাকহনখিদ্রে, লাহোরদা লৈবা মখোয়গী এয়র দিফেন্স সিষ্টেম থুগায়খ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পহলাগ টেরর এটেক মতুংদা লাহোরগী এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম থুগায়খ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

ইরাং লাকশিন্নবা হায় কোর্টকী ৱাফম মনিপুর গভরমেন্টনা ইনখিদে হায়না জষ্টিস সিদার্থ মৃদুলনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি পোকফম, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

রিমসকী মহৈরোইশিংনা দিরেক্তর, দিন অমসুং সব-দিনগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজং নুমিৎ নিনি শুরে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। তমেংলোংদা ফোংবা-গানফিয়ু মেল অমসুং সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-নেসনেল মেদিকেল কন্মিসননা জেনিমসতা সো কোজ নোটিশ থারকখ্রে, পাউখুম পীরক্তুবদি মখা তানা খুদোংচাবা পীররোই

হায়না নেসনেল মেদিকেল কম্মিসননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-মনিপুর কংগ্রেসনা ওপরেসন সিন্ধুর শৌগৎতুনা তিরঙ্গা যাত্রা পাঙথোক্কনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মালেমগী রেড ক্রোস নুমিৎ পাঙথোকখিবা পাউসু হুইয়েন লানপাউ, সনা লৈবাক, পোকফমদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শিরুই ফেষ্টিবেল য়েংনবা বস অহুম নুংথিলগী সার্ভিস পীরগনি হায়বা পাউ-চে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থল্লম্বা কার্ফিয়ু লৌথোকখ্রে হায়বা পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।